ত্রিশূল

[১]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

তিনথুম

—— [*] ——



অইবা :—

শ্রীনাওরেম অমুরাইমা সিংহ

পণ্ডিত অচৌবা,


ককচিং, মণিপুর।

মমল :— লুপা ১'২৫

কোংজবা :— অইবা।

কোপী ৫০০

অহানবা থুংনম ১৯৭৮ ইং,



নম্ফম :— দি লিলা সিংহ মেমোরিয়েল প্রেস,
ককচিং বাজার, মণিপুর।

ৱাহৈ অনিদং

তিনথুম কৌবা লাইব্রিক মচা অসি, যুম কয়া পান্দুনা যুমলিং কৈথরিংলিবা মীওই খুদিংমক্না পাবদা কান্নবা অমসুং থোইদোক কেন্নোক্না থোক্লক্লোই হায়বা ৱমদ্রবা থৌরম শরুং ভাক্কনা ঊরবা লাইব্রিক অমনি। ভাইবং পানবদা লৈরিবা অচৎ-চন্না ভীব কয়ানা, মীওইবা এখোয়গী হিংদুনা লৈরিঙৈ মতম খরা অসিদা মহৌশাগী ওইবা, মা-মাগী থোংচৎ কয়ানা, মী মশাগী ইমুং-মনুংগী, লৈকাইগী, খুলগী, লৈপাক্কী, অচম অথৌগী, অরা অনা, শাংলানগী ওইবা, উনা য়ানা, শানা ভানা, অচেক যায়ানা খংহৌদনা, অমাদ মতম থবগী মতুংদা লিবং, খুনম অভুবু খংনবা ভাকপা লাইব্রিক্নি।

লাইব্রিক মচা অসি হৈহৈ মরেক্তা লৈবদগী যুমলিংলবা ইরৈপাক মচাশিংগী মাংদা অনৌব, মরেক্তু ওয়াম্বাক্তুনা থম্না মীয়ামগী খুদোং চাংনা ওইগত্রা খঙক্নবনা সম্পাদান তৌবগী উদ্দেশ্যনি। লাইব্রিক অসি কোংদোরবা হোৎবদা এগী ইচা শরুবা শ্রীমোংমাইথেম মনাওয়াইমা সিংহন এগী ইতেং য়াম্না পাংথুনা, শব্দ কোশকী মওং অমা ওইনা পুথোক্লিবা অসি মাগী কোৎ-নমনি, অদুগা "দি লিলা সিংহ মেমোরিয়েল প্রেসকী" মেনেজর, শ্রীময়াংলম্বম যুগেশ্বর সিংহনা মশাগী মতম মাংবা পাম্মুদবত নত্তনা

শেনগী মতেং কাওবা য়াম্না য়েংবিখি। অসিগুম্বা লাইরিক মচা অসিবু ইরৈপাক্কী য়োইবু য়োইটৈ খুদিংনা কপি অমমত্তং লৈবিদুনা পাবিরবদি হোৎনজরুবগী মহৈ য়াম্লে খনজগনি।

মরামগী
শ্রীনাওরেম অমুয়াইমা সিংহ
পণ্ডিত অচৌবা,
ককচিং।

তাং ২/১১/৭৮ ইং

তিনথুম

— [০] —

হয়া হে খোইয়ম লাইনিংথৌ নোংথোরেন পুমাবাও, নহান নোং হায়িরৈঙেগী তাইবং নোংশা পাম নমু পোংলুপকী ময়মলেপ চারা তম, লৈকাই খুনলিংলক নমু ময়মথোং খুদিংগী য়াইফ নুঙাইখোলবু তয়ম চানগোই ঙবাকমনং কচ্ছা লাওনা পাওদোইজরক্কে।

অ

অতুবা উবা মুংথললকলবদি শা লান চাওবা থোকএ। অঙাংবা মথা হৌবা পোকপবদি লৈপাক মীয়াম য়েংখিনএ। অশাওবা হৈতবী মাথং মেংলবী মুপীদো লাইরেম্মগী সায়ানে।

অয়াংলোমদা থৌরানমিচাক মচৈ পানবা থোকলবদি নিংথৌ মকম শিললে। অয়াংদা থোকপা অসিদি নোংপোক্কা থোকখিবগী মতুং চদি অহুম অমসুং তরেৎ অসিদা থোকপগী য়াদি।

ই

ইরোইবা খণ পোকলবদি লৈপাক অচা অথক য়াংথে। ইমুংদা মীনা ঈশিং হৈদোক্লবা মথক্কা ঈশিং তারবদি ঙুম মপি

তাবা কৌএ, খুবু শিএ। ইমুংদা লৈপাক ককথাইরবদি মাঙ তাকএ। লমজাও শোয়োক ককথাইরবদি লৈপাক মাঙ তাকএ। ইরোইগা হামেঙগা যুগ (মিলন) ওইরবদি লৈপাক অনি য়েংথিনএ। ইরোইনা মচা কাইবোক পোকলবদি নিংথৌনা মনাই মশন য়াম্না চানলে।

ঈ

ঈশিং অথেনবনা লুরকলবদি লৈপাক লুংঙাইএ। ঈশিং ঈফুৎ থোকপনা তুথুল (ঈশিং চেনবা থোং) ওইরকলবদি লোয় লম চাওখৎলে, লুংঙাইএ। ঈশাইফুগী ঈশিংনা পাথোকলকলবদি মী অচুগী অকবা চৈকাবনে। ঈশিং পুন অথনবনা মথম্তা কংথরকলবদি খুমদো (ইমুংদো) অনা অয়েক নংএ। ঈশিংনা শঙ্গোম ওল্লবদি য়াম্না কৈএ। ঈশিংনা ঈ ওল্লবদি লৈপাক মাঙ তাকএ। ঈ তাইএ। ঈ থোকফম লৈতনা ঈ থোকলবদি নিংথৌ মকম শিললে।

উ

উহৈ বাহৈ, থবী, মাইয়েন মহৈ কুইদবনা (শাংদবনা) কুইনা পাম্লবা, মরী চাত্তবনা চৎলকলবদি লৈপাক্কী অকবা হৌরকলে থংও। উপাল অনিনা অমত্তা ওইনা হৌরবদি মপা মচা, মচিন মনাও শা-লান ওইনা য়াম্মএ। উচেক মরুম অমনা মচা অনি কোকলবদি অঙমগা নিংথৌগা য়াম্মএ। মপা মচান্ন য়াম্মএ। উরুবা মীসুং শিএ। উয়োক্লা খুমদা তোংলবদি কৈএ।

উ

উচিনা কৌদোংবু চিক্রবদি মৌ অপিকপনা অচৌবগী কম ওইএ। উচিনা খুদোন্দা চিক্রবদি মতু·মচা মনাই মশনচিংবা ফংজৈএ। লনস্ত ফংজৈএ। খুবাইদা চিকপা কৈ। খুরক্কা চিকপা ফস্তে। খবাক্কা চিকপা ফস্তে।

এ

এক্রুম মন্দুংদগী মচানা দোংলকলবদি ফস্তে। এম্না মক্রুম মঙ্গা খক্কা কোকলবদি নিংবা থু·এ। তক্রুক কোক্রবদি মচাক মরল ফ·এ। তরেৎ কোকলবদি মীনা চানবীএ। নিপাল কে·ক্রবাদ লন থুম ফংজৈএ। মাপন কোক্রবদি পৈম নিংথোনা চা·বএ। তরা কোক্রবদি ইনাক খুপলে। তরামা থ·ই কোক-লবদি ক্ষৌ য়াম্না কৎলে (হাপএ)। তরানিথোই কোক্রবদি মংথোং মবি পানবা ফংজৈএ। তরাহুমদোগদি লন ফ·জৈএ। তরামারিদি মতু মচা শিএ। তরামঙ্গাদি য়ুমবু শিএ। তরাক্রক্তি য়ুমনাক খুপলে। তরাতরেত্তি নিংবা পাংএ। তরানিপান কোক-লবদি অনা অমেক নংএ। তরামাপন্দি বাখোক লানথোকএ। ফুস্তুনা চাথোকও। মথক্কা হায়ব্রিবা এম্না মক্রুম মঙ্গা কোকপদগিনা তরামাপন কাওবা কোকপগি বাকম অসি হায়ব্রিবা মশিং মাশিং অসিক্তা কোকলপা লেপথিবগী বানি। এম্না মক্রুম কোকলপা মানা চাথোক্রবদি লোইহৈদে থংও। এম্না মক্রুম অমস্তা কোক-লপা লেপশ্রবদি মচা কোলংল্লু অক্তপা ফিরাল থেস্তুনা তুংরন্দা থাদখো কৈএ। এম্না মক্রুম কাং শানা পাকনা কোইনা কোক্রবদি

মপুনো ময়োংহিং চলনে। এম্মা ময়োন্তুম সুগুন্তুম কোক্রুমদি মতু মমা কাইনৈএ। খুলন্ত কায়নৈএ। যোং খুনেং অনি, শেল খুনেং অনি কোনয়াই পুমা হাপ্তুনা নমলক্কা থাদে'কখো। মক্রুমদি অবন্দা পীজো দোষা নাংকম কোকএ। নোংমদ' মক্রুম অমতমক কোকপা এম্মা অনি অনি কোক্রুমদি যুমনাক খুন্নে। এন অমোগ্ন নাবা ওনক্রুনবদি নান নাকএ। এন নাবনা মক্রুম থুরবদি মপু শিএ এনগ জাম্পুগ' যুগ (মিলন) ওইরবদি নৈপাক মাণ্ড তাকএ এম্মা'এন মমা কৌরবদি সুপীনা' নিপাবু খৌওইদে মনাইন মপুবু খৌওইদে এনগা উদেক অ'ভগা চিক্র তুনজ্রনা তাম্মরবদি খুপ অন্তু মাদ ত্তাকএ। এম্ম মপা এম্মা চেম্মা চেম্মা চাক্করবদি নাজাও নাকএ। এম্মা মখো' অকম পাম্মা মচা ওয়রবদি নৈপাক চাওএ।

ও

ওক্কা. শজিমা, শঙাইনা খুন্নক্ক য়াম্মা খোঙলবদি দৌনী দৌমা য়ামএ। কোম্পু'দা খোংলবদি নান নাকএ। নিংখৌ মকম শিন্নে। ওক্কা শাম্বু পোক্রুবদি নৈপাক্কা অকবা ওইএ; ওক্কা মপ ম থাম থক্রুবদি মপ মপু অন্তু নম য়াম্মা ফংজৈ। ওক্কা হুইগা যুগ (মিলন) ওইরবদি নান চাওনা নাকএ। ওক্কা হুইগা অনিমনা মাইয়োক্রা বা ডাংনররবদি নান চাওনা নাকএ। ওক্কা কৈপা চিকনববদি নোয়-নম য়াম্মা' ফংজৈএ। খৌরম অমসু খোকএ। ওক্কা মচৌ পান্নবদি নিংখৌ মকম শিন্নে ওক্কৌ মখোম্ভু হুইনা থক্রুবদি

লাইশঙ কলনে। (অনা অযেক কলনে) একনা যণ পোক্রুবদি চাক হোংএ। নৈপাক সুংঙাইএ।

ক

কৈনা য়ুমদা চংলবদি য়ুম মপু শিএ, য়ুম অচু মৈ থাংলোকন্ত। কৈনা থংনা থংনা থোংছনা খুলকা চংলবদি খুল অচু মাং ভাকই। কৈনা খুলকা চংলবদি শা থোংলগ মহি থরা চাইথোকন্ত, কবনি। ককয়েলনা য়ুমদা ভোংলবদি ককে, শাহিং থকু চাই-থোকন্ত। কৈনা খুলকা চংচুনা থোংলবদি লাকতাঙ লাকই। ককয়েলনা খুলকা মপৈ মপৈ পাইয়বদি খুল অচু সুংঙাইএ।

খ

খুলুনা ক'খদা চংলবদি অচা অথক যাস্তে, কৈ। কোইয়েয়া য়ুমদা চংনা তিয়বদি য়ুম মৈ হোএ। খুবাক ময়াক ফিবাল শারবদি, থোংনাং শারবা, থখাল শাবা, মাব (মাখা) ভাংলবা সুপীদো লোঙ অফবনে। খুবাক খুং অনিমক ভাংলবা, মশব শাংনা কোইয়বী চৎপদা সহুম নাইদবী সুপীদো মশাম শাগৈনে, মবাম শাগৈনে, শাগৈ অনিমক পুথলে। মচা মবা মকম নাইএ।

গ

ঘানা চিংভঙ ওয়বা, চিংজঙন ঘা ওয়বদি নৈপাক অচৌবা অমবু খুহুম চয়ে।

ঙ

ঙা ক্যাংনা ফংকাল্দা ময়া কাচুনা লৈবা উয়বদি খুল নৈপাক মাঙ ভাকএ। ঙামুনা মথোং মরি পায়া মচা ওয়বদি, চায়বা

মরুপ মপাং, মতু মচা, নৈপাক লাম ওইনৈএ। ঙখা খজিং অচঙবনা উরক বারক্তা নৈবা উরবদি নৈপাক খুল মাঙ তাকএ। তাম্রু লাবগী খোঙ্গেন্গুম্রবী সুপীদি মবা পুল্সিএ।

চ

চুম্বা য়ুম মমুংদা য়াম্বা নৈরবদি লঙজবা, বাকোংবা বাথোক লানথোক নংএ। নৈহনগমু। চৌং মান নৈকু নৈয়াই য়াম্বা কিম্হরবদি নৈপাক মাঙ তাকএ। চেংনা ফোনা ফন ফন চোং-লবদি মী অপিকপনা (কমনাই-কনাইবা) চাওরকএ। চেংনা উটাম খোক্রবস্থু চাক তাংএ। চেং অচৌবনা মুরক্রবাদ য়ুগ ওল্লে হায়বা ৭ংও। চুঙৌনা মপান শারবদি নৈপাক বাএ। চ'ংনা, নৈশৌ পু'না মোং চুদনা মথমন্তা কিম্হরবদি নৈপাক মশেন লান ওইনৈএ। চৌংখাংদা মৈরুপ অমি খোক্রা হৌরবদি শাপাও লানপাও খোকএ।

ত

তিনপুন নাপুম্বা অগোই শাবা চাক তাঙএ তিংখং পানবা উনা তিংখং পাল্লক্রবদি খুল নৈপাক মুংঙাইএ। তুরেল অচৌবা অরাওবনা খুজিল্লক্রবা ঈরেম্বা ঈথোংশাং ওইরক্রবদি নৈপাক নিংথৌ পিকশিল্লকএ।

থ

থানা মনৈ পাল্লবদি অচৌবনা মশাই মশল, লোয়লম ফংঙৈজএ। থাঙনা মচুম, শগোল, শামু অতেবনা ঙাওরক্রবদি শাপাও লানপাও কল্লে নিংথৌ মকম শিল্লে। খুমোল থাজা

চীং কিস্থরবদি শাপাও লানপাও পোকএ। থবান থাদা সুম্ফেৎস্থু থাস্থ লৈচিংনা থানা থন্দুনা ইমম মমলবদি লান চাওনা লাকএ। লৈপাক তাকএ। থরক ঙাংলবী মখোং ঙাংবী সুপীদো লাইরেমমগী মশকনে। থাংজা পোকপী সুপী থুদোমে, লৈত্তোমে য়ারীনে ঙাংলবদি লাইরেমমগী মশক্নে।

ন

সুংশিৎ শিজুনা উ তেকপা, নোংলৈ লাকপা, য়ুম তেকপা, ঈশিং ঈথক কৌব নোংথাকপা লৈপাক তা থোকএ নিপাবা সুপা ওইরবদি লৈপাক্কো অচা অথক বাক্তে, সুংঙাইএ। সুঙনা মথস্তু মকম কোংক্রুবদি লাঞ্জাও লাকএ। নিংথৌগী খোঙজাওনা মথম্ভা কাংদোকচবক্রুবদি লৈপাক তাকএ। নিংথৌনা চিংবা অঙম্বনা মুরবদি অচৌবা মী শিএ। সুংশিৎ শিজুনা ইঞ্জোলসুংগী উনা তেক্রুবদি মপু শোকএ। সুপীনা শিপা ওইরবদি লৈপাক্কী শা লাম হকএ। সুমিৎ থোক্রুমগা অমুক হঞ্জিনরবদি লৈপাক তাকএ। নোংথৌ মতোম্দগী কেতু অমুবনা মতেং মতৌ থোক্রুবদি নিংথৌ মফম শিল্লে।

নোংচুপলম থৌরাম্মিচাক্কা মমৈ পানবা থোক্রুবদি নিংথৌ মফম শিল্লে। মাম্না সাংদনবী য়াথং মেংলবী ঙাম্নুগী লমচৎ মাল্লবী থুজিন থুয়া কোয়রবী থুবাক ঙাংলবী সুপীদো অফবনে। শাগৈ জাৎ হম্বা ওইরবস্থু লৌও। নোংচুপলোমদা থৌরাম্মিচাক মমৈ পানবা থোক্রুবদি সেকপিন থনবা নিংথৌ অনি শুইএ।

তুংনা, শনখিনা, মৈতাম্না মফম হোংনা চৎলবদি খুল কাইএ। নোংখৌ মতোন অতিংঙাদা পেরে, সিঙ্গনা, শেন, মোইবুং, থোপখিন, শরিক বারবিবশিং অসিগী থোজেন পুল্লপকী ওইনা নক্রগা অমমমতগী ওইরবস্তু তারবদি মতিক মগুণ চাওবা অতম অখৌ অমা লাকএ। নোংপোকলোমদা খোৱান্নিচাক মমৈ পানবা থোকলবদি লৈপাক মাঙ তাকএ।

প

পোৎপু অকংবনা মনৌ (অনৌবা মৱোল) চোংলবদি লৈপাক্কা ওৎপা য়াম্মে

ফ

ফৌন, নাপি শাৎলবদি শা লান লাকএ লৈপাক মশেন লান ওইনএ। ফুদপনা মপান শাবা উৱবদি মীচু অফবনে। ফুদপ অতুনা লোংথোক্লবদি য়ুম থুনা হোংদোকও। ফি অমুবনা তোরক্লবদি মী অমুবগা অঙৌবগা লান শোক্লএ। ফি অঙৌবনা মুরক্লবদি মী অচোবা শিএ। ফি অমুবনা পুমঙৌ তোথোক্লবদি মী অফবা থোক্লকএ। ফি হৌদনা হৌবগুম্না উৱবদি অউবা মীদো শিএ।

ম

মুকথ্রৌনা কাংথদা চংলবদি খুল অচ নিংথৌনা লম পিনএ। মতম নত্তুনা লিক্লা তারবদি কুম অচু কত্তবনি থংলো

য়ুরানা মচুম তাৱবসুং লৈপাক্কী কন্তবনে, মপুস্থ শিগ্র। মক্কুম অমাবমা মং ওন্নবদি য়ুমনাব থুন্নে। মপাল শাদবা উনচিংবদা মাইক পালবদি খুংদা মাঙ তাকএ। মতম নত্তনা ঠৈশিং চাওঝবা খুন্দ [illegible] ভাক্প। মতম [illegible] স্তুংলিদ কন্না শিংপা, [illegible] নকন [illegible] চুবা, কাঙ্গন থাদ ঠৈশিং চাওবা, [illegible] লাইবা [illegible] স্তংলিদ শিত্তনা [illegible] মহোনা থাদ্রেককদে। [illegible] অদি খোকবদি অচৌ অমা [illegible] কানাই কম [illegible] শিনাঙন থোকএ [illegible] বা জাংলবদি লৈপাক মাঙ [illegible]। [illegible] বদি মাইই মথন কংদ্রএ [illegible] মশেন [illegible] ক মাঙ থাকএ মীন [illegible] ঙরোই পাক্ত [illegible] কএ [illegible] লৈরা লাইলনা উপেলগুম্বা কেইদ্পাক [illegible] মকুমা য়ুমদা [illegible]:- য়ুমগী লোং [illegible] বদি মাঙ তাকএ। [illegible] বদি বা থোক মথাদা তোংলবদি [illegible] মীনা [illegible] তোংলবাদ মাম্না তুংগোকএ। [illegible] তোংলবদি চানা [illegible] চিটিখদা তোংলবদি লন কংডৈএ। [illegible] থুন্না তোংলবদি নিংথো মকম শিগ্রে। মীনা চ [illegible] থোঙ্গনদা কৈনা নেংনা নেংনা চংলবদি নিংথৌ মকম শিগ্রে মপুরোইবগী সেবাগ্গ নিতিগী কাম্নদা কিদেং শেত্তুন তোত্তনী সুপীথো লাইরেম্বীনে।

মরাইবক পাকপা সুপীদি মতুক কৈএ, মচা মত্ত অশক্ত [illegible] লনা পোক [illegible]।

য়

য়ুমগী ওয়াল্ল, খুল্ল, হুট, এম্না লমদা চৎথ্রবদি য়ুমদো মাঙবা হৌরবনে। থেমজিনবা কৈও। লমদগী না য়ুমদ চংলক্লবস্ত ফত্তে। য়ুমদা নোংচৈ শিংজং ছারবস্ত য়ুম চাকএ। য়ুবী কোনা, থা, অসিনা থবী, মাইরেন পাল্লক্লবদি লৈপাক পুক্রিং বায়, অরাক অথংলএ। ফত্তে। য়ুম্বী তরেঙনা (মাঙ্গোলগী সনা য়ুম্বীদা নপ্পা 'ল'রোং হকপা উবাক) মতোন্দা মথস্তা কাগক্রবদি য়ুম মপু শিএ য়ুম মথমতা নমথবা কিম্থব' তৌরক্লবস্ত মপু শি'এ। মাঙ তাকএ। য়েংনা য়ুমদা কারবদি কৈফএ। য়ুমগী চুইগ লমগী চুই (লমচুই) গা য়ুগ (মিলন) ওইরবদি চৈবুদো মচাক মরন, মনাই মশন, মতু মচা ফংজৈএ। য়ুমথক্তা উয়েল শোরবদি নিংথৌনা লন থুম পিএ। য়ুমগী লপয়েল ক'দা শোরবদি মচাক মরন কুবীরে। য়েংনা খুল্লক্ত য়াম্না চাইথোক্না লৈরক্লবদি লাইশঙ কলএ। য়ুমগী উনা মপি তারবদি, য়ুম অহু মাঙ তাকএ। থৌ তৌথোকও

ল

লাংদিয়ানা য়ুমদা চংলবদি অচা অথক বাত্তে, সুংজাই য়াইকৈএ। লৈম শীজ, শগোল শামু কংজৈএ। লিম্না য়ুমদা চংলবদি "কাংথদা চংলবদি" বাথোক লানথোক, অনা অয়েক য়ামএ। লিম অহুনা য়েৎনহুনা চিক্লবা উরবদি ন'এ ফত্তে। লমচইনা খুল্লক্ত চংলবদি বাথোক লানথোকএ। ইথোলদা চংলবদি য়ুমতাক কৈতাকএ কোম্বু'দা চঙলবস্তং মাঙ তাকএ।

লবওক্না খুল্লক্তা মপৈ মপৈ চৎলবদি, যুমদা চঙলবস্নুং অম, অমেক নংএ। লৈ অঙৌবনা ঙাংনা, মুনা শাৎলবদি লৈপাক লিংজেল ওমএ কস্তে। লৈ অঙাংবনা ঙৌনা শাৎলবদি লৈপাক সুংঙাইএ। লফুনা মপাল (থরো) অহুম মরি লোংনা শাৎলবস্নু খুল লৈপাক মাঙ তাকএ লোক ভিল শিস্তোকখিবনা ঈ ওল্লবদ লৈপাক তাকএ। মী অড়স্নু শিএ। লৈপাক ককথাম্নদনা ঈশিং থোক্লবদি লৈপাক মপু শিএ। লাইরেলনা করি করি থোৎলম উৎবদি যাম্না কৈ যুম্নাক খুল্লে। শিম্না হকচাংদা যেৎলবস্নু থাম্ন কৈএ। লৈপুংনা থোংলবা হুমথোংনা থোংলবদি লৈপাকী কত্নবনে থংও। লাংদিম্নানা যুমদা তোংলবদি শাহিং থম্না চাই থোকউ কৈ। হরবদি যুম্নাক খুল্লে। কৈত্রবদি তুমনা মাঙং। লাংদিম্নানা যুমদা চঙলবদি মথোং পানবা ফংকৈএ। লমন্তগী শানা খুল্লক্তা যাম্না লৈরবদি লোই লম মথেং তাশিল্লক। লৈপাক্না নিংথৌবু চৈ থাংলবদি কেতু চঙলবনে; লৈপাক অমানা চঙলক্লে থঙও। লৈপাকপোকপা পোকপী মুপী খুদোলসে লৈতোমে, যাম্নিনে ঙাংলবী মুপীদি অকবা মুপীনে।

ব

বা ঙাংদবনা ঙাংলবস্নু উৎ পাৎ, ওম ভৈনবা যামৎ। বাকোলনা যুমদা তোংলবদি যাম্না কৈএ। বাবনা তোংলবদি কস্তে, যুম কৈ কৌএ। বাইমুনা যুমদা তোংলবদি সনা লুপা, মনাই মশন যাম্না ফংকৈএ। বাকচিং থা ৭ নি পানবদা চোং চুরবদি লান লাকএ।

শ

শজিনা ইমুং চংলবদি নাপী শিংবী অমং অমান থরা চাইথেংকী ফবনি। শজিগী শড়াইগী তাম্বরনাদ থুল লৈপাক লং তিংএ। শামুনা কোম্মুংদা মচা পোক্লবাদ থুল লৈপাক্লী নামুংবা ওইএ। শামুনা হম্বা অমদা মন মখি লোতলবাদ নিংথৌনী অক্পনে। শামু লমশাংগী যম্লেংগী তাম্বরগী থুল অমসুং লৈপাক লন তিংএ। শঙ, শন্থং, মাং, বাক লৈরংগী চফু (লৈকম শাংবা মাইরু) চাক, তিং মা, কনা, মতম মথন্থনা মকম লোক্লবদি থুল লৈপাক মফম লৈং শামু মগগা মুং (মিলন) ওইরবনি মী, শংগাল, ক কাংলুপ অমম অসি তাকই। শগোল যগ, লোনা শামু হাকচাং, মা, খুংচেংথু কাংলুপশিং অমিনা বা তাংনরবদি অচোব মী, ফজব ওইদ্রে। শামু মচানা যগদা মথোম থরবদি লৈপাক অমি য়েংথনগ। শক্লোমন লোং ওইনা চুরবদ লৈপাকী ফজবনে। অরংবা নংএ। শংকাকনগ দা চনবন্থ ওড্রগী তো কনচ য়ুম লাকএ। শামুনা থুংলক্লা লৈরবদি লৈপাক তাকএ। শুকনা, লম্মুংগী মথন মথন্তা ক্রোং ক্রাং লাওন, খোংনরবদি অচৌবা লান অমা লাকএ। লৈপাক অতুগী মীশিং অদু মথন মথন্তা হান্না থিমরকএ। শমুনা শগোল পোক্লবদি শ, লান কনে, মী লিংজেন যত্তবা লেহ্লকএ।

ম

মগ ইরোইনা ময়া থোক্লবদি নিংথৌ মকম শিল্লে। মম্না মচৌ অনিমক চপ মানমা কেনামম্নরবাদ যগবু শিঙ। মম্না

হামেং পোক্লবদি নিংথৌ অমি চাইয়েএ। যম্না মখোংনা পোক্লবদি (মখোংনা হাম্না খোক্লক্লবদি) নিংথৌনা মনাই মশন য়াম্না চাল্লে। যম্না অহিংদা থিলহৌ থিলহৌ নাইনা অছুমলক খোংলবদি ঈশিং চাওএ কুম কৈএ। যম্না মখোয় মসেন (অচৌবনা) মখোয় থক্লরবদি মপুগী মরন মথুম মাঙএ। যম্না (যণনাও নত্তনা) শাজন পোক্লবদি লৈপাক মাঙ তাকএ। যম্না মখোং মঙা পানবা পোক্লবদি লৈপাক চাওএ, কৈএ।

হ

হলনা ঈমুংদা মপৈ মপৈ লৈববদি ইমুং অত্ত অনা অয়েক নংএ। হংকোক্লা য়ুমদা চংলবদি ইমুং অত্ত মাঙ তাকএ। হৈ য়া আপকপনা চাওনা পাল্লবদি লৈপাক চাওরকএ, সুংঙাইনা পাল্লে। অচৌবনা পিক্লা পাল্লবদি লৈপাক পিকশিল্লকএ। হৈ অথুম্বনা থারবদি লৈপাক লিংজেল ফৎলক্তে। কৈ অশিনবা, অথাবনা থুম্লবদি থুল, লৈপাক সুংঙাইএ। হেপাল অমদা উটৈ মচু মথল অকম পাল্লবদি থুল লৈপাক সুংঙাইএ। হংজোইনা লিনবু চারবা মী অপিকপনা অচৌবগী কম ওইএ। হলনা (মশা পান্দুমঙ) পাইরবস্থ চাক তাংএ। হুইনা শামু পোক্লবদি মপুগী অফযনে। কৌদোংনা সুমিৎ য়ুংবদা য়াম্না খোংলবদি মপুগী থৌরম কত্তবা অমা থোকএ। সুমিৎ চায়বদা খোংলবদি অচা অথক, লন থুম ফংজৈএ। কুম অত্ত ফৌ য়াম্না কৎলে (হাওএ) সুমিৎ তা-রমদাইদা খোংলবদি অনা অয়েক নংএ। নোংম্নাইদা খোংলবদি

মাঙ তাকএ। নোং তাল্লমদাইদা খোংলবদি নাই, শন মাঙখিএ। হুখিৎ খোক্লমদাইদা খোংলবদি য়ুম চাকএ। হোদোং মশেন চিক্লরবাদ লন থুম ময়েং তাইএ। হোদোংনা কিরোন মথক্তা মচা পোক্লবদি নক্রগা কম মথক্তা মচা পোক্লবদি লন থুম ফংজৈএ। হুইনা কৈয়নুংদা মচা পোক্লবদি কৌ য়াম্না কৎলে (হাপএ)। চফু মনুংদা পোক্লবাদ লন ফংজৈএ। য়ুমগী লাংথৈদা

পোক্লবদি মপু নাইএ। ফুঙ্গা লাইরুদা পোক্লবদি য়ুম মৈকৌএ। ঈরুকমদা পোক্লবাদ মনাই মুপা অমা ফংজৈএ। কুম অমদা হুইনা মচা অনিরক হন্না পোক্লবদি য়ুম্বুমুং লৈকাইমু কত্তবা ওইএ। হামেঙনা যণ পোক্লবদি লৈপাক নিংথৌ, মপু মনাই চানএ। হুইগা য়েনগা রা তাংনরবদি লোয লম, হাও নাই ময়েং তাইএ। হামেঙনা য়ুমথক্তা কাববাদ লন থুম মাঙএ। হংকোক্না য়ুমদা কাম্নবদি লাইথুং থুংএ।

লোইরবা।

